

পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অহানবা ফেজগী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী মতাংদা ভর্চ্যুল মিটিং অমা কাংপোকপীগী দিসীগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা



ভারতিয়া জনতা পার্টিগী টিকেট ফংখ্রবা মতুংদা লংথবাল এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা করাম শ্যামবু বি জে পি লংথবাল মন্দলনা লংথবাল কুঞ্জদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা তরাম্না ওকখিবা



ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভৱনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী মীফমদা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাসনা বি জে পি লৈঙাকপু শিথখিবা



জিরিবামগী কালিগর পার্ট-২দা লৈবা এন পি এফকী ওফিসতা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা ট্রাইবেল লুচিংবশিংগী মীফম ফমদুনা করম্বা পার্টিবু শৌগৎশিগে হায়না খন্নখিবা

# গভর্ণরনা জেনিসকী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টর হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৭ অমসুং মথং থাগী ৩দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং ওফিসরশিং তঙাইফদনা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ শিং শুনা কাপথোকহন্নবা ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী অকনবা পাউতাক পীরক্লিঙৈগী চৈরাক্তা ঙসি গভর্ণর লা গনেশননা পোরোম্পাৎতা লৈরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন সেন্টরদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

গভর্ণরনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখিবা জেনিমসকী কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর অদু ইনষ্টিট্যুট অসিগী ওদিটোরিয়মদা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৬তগী কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবকশিং লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। গভর্ণরনা ঙসিগী মহাক্কী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসন সর্টিফিকেটশিং, কোলোম অমসুং বেজশিং য়েন্থোকখি।



হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কোভিদ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ অমসুং ইম্যুনিটি দোজ কাপথোক্লবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং মান্নদবা চহীশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা য়েন্থোকখিবনি।

খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না গভর্ণরনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পাঙথোরক্লিবা জেনিমসকী দোক্টর, নর্স, ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী য়াওনা জেনিমসকী মরী লৈনবা ওফিসশিংগসু হকথেংননা ৱারী-ৱাতাই তৌখি। লোয়ননা ওফিসলশিং অদুগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা জেনিমসকী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন টিমনা চত্থরক্লিবা হীদাক কাপ্পগী মতাংদসু খন্নরদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

গভর্ণরগী খোঙচৎ অদুদা লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভুমলুনমাং ৱুৱালনম, জেনিমসকী দিরেক্টর লাইশ্রম দেবেন অমসুং অতৈ দোক্টরশিং অমদি ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

# ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২২ নিলকুথি অর্বান হটতা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২২ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট্স আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ, পাউনা কৈথেলনা শীন্দুনা দিভেলপমেন্ট কমিস্নর ফোর হেন্দলুম্স মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লীগী শেন্থং মখাদা নিলকুথি অর্বান হটতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা পদ্মশ্রী এৱার্দি কোন্সম ইবোমচানা হায়খিবদা, মণিপুরগী লৈরিবা ফিশাবীশিংনা হেন্দলুমগী পোত্থোক হেন্না পুথোক্নবা হোৎনসি। হান্না মাঙদা লৈরম্বা ফিশাবীশিংগা হৌজিক্কীগা খেন্নবা লৈরে। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী ওইরবসু এপেক্সনা ওইরবসু য়োকখৎতুনা পূন্না পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি দিজাইনগীদা ওইরবসু মতেং পাংনবা মতম ওইরে। হৌজিক্তি পুথোক্লিবা ফিশিং লৈবীনবা য়াম্না লৈরে। মরিপুরদবু ওইরবসু মপান্দবু ওইরবসু হৌজিক্তি য়োনবগী অৱাবা লৈত্রে।

মসিদা অমুক হেন্দিক্রাফ্ট্সকী লমদসু হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা খরা অমুক শোত্থবদৌনা উরি। শারুরগা য়োনফম লৈতবগী মওংদা লৈরি। মসিদা এৱার্দিশিংনসু এৱার্দ ফংলবা মতুংদা শিনফম হোংবগী ফিভমদা লাক্লে। মসিসু এপেক্সনচিংবা লৈরিবশিংনা খরা হেন্না য়োকখৎপিবা চঙই। নীংহন্নবা য়াওদনা পুম্নমক্না হোৎনমিন্নদুনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দক্রাফ্টসশিংদা হেন্না চঙশিনলসি হায়খি।



থৌরম মপু ওইখিবা মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট্স আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এ রোনিকানা হায়খিবদা, হেন্দিক্রাফ্ট্সপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরিবশিং থাগৎনিংঙাই ওই। মসিদা এপেক্সগী লৈরিবা মীওই পুম্নমক্না কন্না চেঞ্জ-চোংজদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা য়োনফমগী মফম পীদুনা মেলা কয়া পাঙথোকচদুনা লাক্লি। অদুনা হনবা লৈতনা হোৎনগনি। মসিদা ঐখোয়না হেন্দলুমগীদমক্তা পান্দম থমদুনা হোৎনজরি। য়ুম অমদা চঙবা ফদীদগী হৌরগা খ্বাইদগী তাঙলবা ফি ফাওবদা হেন্দলুম্না পুথোক্তুনা লাকপনি। মসি লাই ওইখ্রবা অহল-লমন কয়ানা পুথোক্তুনা থন্বীরম্বদগী ঙসি মশক নাইবা ফিশাবী কয়া থোরক্লিবনি। ফিশাবীশিং অসি অরংবা থৱাম্মিচাক ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পূন্না ষ্টোল ৬০না শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবা হেন্দলুম এক্সপো অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোজেক্ট মেনেজর সী ঐচ তোম্বী, ৱিভর সর্ভিস সেন্টর, পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এম ইবোহল, সোসল ৱার্কর অমসুং হেন্দিক্রাফ্ট্সকী দিজাইজর ডা. ওপেন্দ্রো অমসুং নেসনল হেন্দলুম দিভেলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদ পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসর ইন-চার্জ ৱাই শান্তি কুমারনা মীথুংশিং ওইখি।

## য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএন এস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা অকনবা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা ঙসি অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী ও সী এম দি রিয়াজনা লুচিংবা টিম অমনা অন্দ্রো লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমনা মারুতি ভেন অমদা হাপ্তুনা পুরকপা য়ুঙৌ লিটর ৭৮ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু এক্সাইজ ষ্টেসন য়াইরিপোকতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, এক্সাইজ ইনফোর্সমেন্ট টিম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনসু লম্বী অসিদগী মীওই অনীনা পুরকপা য়ুঙৌ লিটর ১৫০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা মীওইশিং অহুম অদু কমিসন এক্সাইজতা ফাইন থীহল্লবা মতুং মার্কেট ভেল্যুদা লুপা ১৭,৮০০ লোমগী ওইগদবা য়ুঙৌশিং অদু দিস্পোজ তৌখ্রগনি হায়রি।

অসিগুম্বাময়াই কাবা পোৎলমশিং অসিবু য়োনবিদনবা অমদি শীজিন্নবিদনবা দি এল এন ও পি রঞ্জিৎনা অপীল তৌরক্লি।

## এম কে বিনোদিনিগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএন এস): দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী মহারাজকুমারী বিনোদিনি দেবীগী ১০০শুবা মপোক কুমওন থা অসিগী ৬কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইব্সকী মিনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কগনি।

দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রো. হুইরেম বিহারী সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. কোইজম শান্তিবালানা সাহিত্য অমসুং বিনোদিনি হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙ্গনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পল্লেলদগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএন এস): ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা সী দি ও য়ুনিট, ককচিংগী টিম অমনা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা পল্লেল চেক পোষ্টতা লম্বী অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা সিল্কি সিলভর মচুগী অল্টো কার (এম এন ০৫এ-৪০৯৯)দা থাউ টেঙ্কী শেমদোক্লগা পুরম্বা হিরোইন নম্বর ৪ পাউদরনি চিংনবা পোৎলমশিং সাপোন কেপ ৪০দা হাপ্তুনা পুরম্বদগী ফারে। গাড়ি দ্রাইভর অদুগী মমিংনা সোরা ময়ায় লৈকায়দগী এম দি অব্দুল মালিক (৪৭) অপোকপা এম দি সিরাজ অহমদ কৌই হায়রি।

# ১২রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): কুম অমগী লৌ লোকপা পূন্লোই লোইরবা মতুংদা চহী খুদিংগী ষ্টেট থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাকপা ১২রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল ৱাইতোন মনীং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্লবা মতুংদা জন্যুৱারী ৩০দা হরাও তয়াম্না লোইশিনখ্রে হায়না ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কমিটি (এল এফ ও সী)গী কনভিনর লোকেন্দ্রো লোংজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধ্যক্ষা আর কে তরুনি, এল এফ ও সীগী চ্যেরমেন পদ্মশ্রী এল নবকিশোর অনীনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইদুনা ফেষ্টিভেলগী ফিরাল চিংখৎলবা তুংদা ফয়েংদগী পুরকপা ফেষ্টিভেলগী মৈরা চুখৎতুনা ১২রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল হৌদোকখি। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ফয়েং খুলগী নুপীশিংনা শাবা নাৎকী জগোয়, মোইরাং লমদগী আর্টিষ্টশিংনা শাবা লৌগী জগোয় অমদি মোইরাংগী খুবাক চোলোম্না অয়েংবশিংবু পুক্লিং চিংশিনখি। ৱাইতোনগী খুঞ্জাশিংনা লৌ খোইবদগীনা লোকপা ফাওবগী থবক শূবগী মওংশিং মীয়ামদা নীংথিরবা জগোয়না নৌহৌননা উৎখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী অহৌবা নুমিৎতা খুন অমগা খুন অমগগী মরক্তা মাগী মাগী লৈজবা এঞ্জাং-নাপী, মহৈ-মরোং লান্নদুনা নুংশিনবগী মরী চেৎশিন্না লৈনবগী শক্তম্না ফেষ্টিভেল অসিগী ফজবা হেনগৎহনখি। মীতৈগী পুৱারীগা শা-ষনগা লৈনরম্বা মরী নৌহৌননা নীংশিংদুনা ষনগী মশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা অরোইবা নুমিৎকী ষন লাবা ফজবা তান্নবনা মীয়ামদা ফুরুপ অসিগী পুৱারীবু নৌহৌননা নীংশিংহনখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী লোইশিনবা থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেবদত্ত শর্মানা ফোঙদোকখিবদা, লৌরোই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপদা মরম য়াম্না চারবা ফেষ্টিভেল মখল অমনি। মসিগীদমক শেলগী অৱাবা লৈফম থোক্লোই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদগী লৌমীবু প্রোমোট তৌনবা শীল্লিবা ফেষ্টিভেল অসিগীদমক লুপা কয়া-কয়া পীথহন্দুনা হেন্না চাউনা পাঙথোক্লবগী অপাম্বা ফোঙদোখিবগা লোয়ননা মথংগী লৌরোই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবগীদমক্তা মোমানা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘পোৎ-চৈগী মমল ৱাংখৎলিবা অসি লৈঙাক্না করি থৌরাং লৌখৎলবগে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী শেনফমদি লায়রদনা নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎ-চৈগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎলক্লিবা অসিদা লৈঙাক অসিনা করি থৌরাং লৌখৎলবগে। মণিপুরদা নহা কয়া থবক পীগনি হায়না লাউখিবশিং অদু হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়া থবক পীখ্রবগে হায়বদু মণিপুর মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না কোংগ্রেসকী সী এল পিগী লিদর ও ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোংগ্রেস ভৱনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মীখল মমাঙদা তৌগনি হায়না মীয়ামদা নমথাক তৌখিবা কয়া অদু কয়া য়াম্না মায় পাকখ্রবগে হংলি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যেরমেন ওইবা নিটি আয়োগকী রিপোর্টতা মণিপুর অসি খ্বাইদগী ফত্তবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা চল্লি। অদুগা ইন্দিয়া টুদেগী রিপোর্টতনা বেষ্ট পাফোর্মেন্স ষ্টেটনি হায়রিবা অসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা মণিপুর অসি স্পেসল ষ্টেটস ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা খুমাঙ য়াঙনা চৎলম্বনি। থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেট তৌনবা ২০১৬-১৭দা লুপা ক্রোর ৩০ রোম হাপ্তুনা নহাশিংদা খুৎশা হৈবগী থবকশিং পীরম্বনি। অদুবু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা ষ্টার্ট হায়না কোংগ্রেসনা তৌরম্বা অদুগী মরুমদা নহা কয়া থবক পীখ্রবগে। নেসনল হায়ৱেদা ফোর লেনদা শেমগৎলি হায়না লাউখ্রগা সিঙ্গল লেন ফাওবা ফজনা শেমগৎপা ঙমদ্রি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাসনা হায়, কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা পায়খৎলম্বা চাওখৎ থৌরাংশিং বি জে পি লৈঙাক্না মমিং ওন-ওন্দুনা মীয়ামদা মখোয়না তৌবনি হায়দুনা উৎ চাইরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা অওনবা পুরক্কে হায়রবদি মীয়াম্না মুন্না ৱাখল তৌরগা ভোট পীবিয়ু হায়খি।

# রিমসকী ইলেক্ট্রিকেল সেক্সন বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা নৌনা শাগৎখিবা ইলেক্ট্রিকেল সেক্সন বিল্ডিং অমা ঙসি ইনষ্টিট্যুট অসিগী দিরেক্টর প্রো. এ সান্তনা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা দিরেক্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ইনষ্টিট্যুট অসিগী চহীগী বদজেট অসি চাদা ২৭.৬কী চাংদা হেনগৎলক্তুনা শেনবা চহী ২০২২-২৩ দদি লুপা ক্রোর ৫৬০ এল্লোকেসন তৌরে হায়খি। রিমসকী এন্ন্যুএল বদজেটকী শেনফমদা হেনগৎহল্লক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুটশিংগা চাংদম্না য়ারক্লে হায়খি।

ইনষ্টিটুট অসিগী বদজেটকী শেনফমদা খঙহৌদনা হেনগৎহল্লক্লিবা অসি রিমসনা ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিংদগীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরগসু রিমসনা শীংথানবা য়াবা থবক-থৌরমশিং পাঙথোকখি। ইনষ্টিট্যুট অসিনা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অমসুং চাওখৎলকপগী ফিভম য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা চেকশিন্না য়েংবগা লোয়ননা মোনিটর তৌরিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাওবগী মনুংদা পীরকখিবা ফন্দগী মনুংদগী চাদা ৭৬ শীজিন্নবা ঙল্লে। হায়রিবা ফিভম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা সেন্ট্রেল মেদিকেল ইনষ্টিট্যুটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ইনষ্টিট্যুটশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবনি হায়খি।

অনা-লায়েংগী থবক্তসু রিমসনা মায় পাকপা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমখ্রে। মসি টিম ৱার্ক ওইনা চঙশিনবদগীনি অমসুং তশেংনমক চাউথোকচনিংঙাই ওইবা ফিভমনি হায়খি।

ঙসিগী ইলেক্ট্রিকেল সেক্সন বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ইনষ্টিট্যুট অসিগী হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. এন সঞ্জিবনা ময়াই তাংবল লৌবগী ৱারোল পীরদুনা রিমসনা পেসেন্ট ক্যের সর্ভিসকা মরী লৈননা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগীদমক দিরেক্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়নগী টেক্নিকেল ইঞ্জিনিয়রিং সেলগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসর ও জিটেন, ইলেক্ট্রিকেলগী কন্সলটেন্ট এল কুমার অমসুং সিভিল ইঞ্জিনিয়রিং গী কন্সলটেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল ৱার্কশোপগী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

# স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী ২০শুবা মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোংজোম সোল্ট ভিলেজদা লৈবা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল লিংখৎখিবা চহী ২০ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম ঙসি স্কুল অসিগী এম্ফিথিএটরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মুতুৱা ম্যুজিয়ম ইম্ফালগী দিরেক্টর মুতুৱা বহাদুর, স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী ফাউন্দর কম প্রিন্সিপাল নহাকপম বাবুলিন মৈতৈ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী গেষ্ট ফেকল্টি মুতুম মনিতোননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী ফাউন্দর কম প্রিন্সিপাল নহাকপম বাবুলিন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্তুনা ইরমদম মণিপুরবু চাউখৎ খোঙথাংদা য়াঙনা চৎপা ঙম্নবা পান্দমদা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা খল্লগা হৌদোকচখিবনি। অদুম ওইনমক স্কুল অসি ইন্দিয়াগী কন্টেক্সতা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈ লোইশঙ অমা ওইহনবা হায়বা পান্দম অদুদি ফংদ্রি। অদুবু ইরমদম অসিগী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফমশিংদা পীখিবা চৈথেংশিং অদু স্কুলগীদমক্তা খ্বাইদগী অৱাবা ওইরবসু মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি থোইনা অৱাবা মায়োক্নহনখিদে হায়না খঞ্জে। মরমদি স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি মতম চানা ওনলাইন ক্লাসশিং তৌখি। মরম অসিনা স্কুল অসিদা লাকপা চেলেঞ্জ খূদিংমক মায়োক্নবা ঙল্লে হায়বদি হায়মনবা থোক্নরোই হায়খি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা ফজরবা নাৎকী জগোই, ঈশৈশিং চাংদম্নবা উৎপা, ফাউন্দর মেম্বরশিংগা লোয়ননা তিন্নরম্বা অহল ওইরবশিংদা চাকলেন পীজবা, স্কুলগী মায়কৈদগী অমদি মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী ফাউন্দরশিংদা অচম্বা খূদোল তম্বনা মরু ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

# ‘শেঞ্জা-থুমজাদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নোংমাইথেম সঞ্জয়দা টিকেট পীরক্তবনি’

ককচীং, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা জনতা দল য়ুনাইটেদকী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এ সী ২৯গী মীরেপ ওইগদবশিংগী লিষ্ট ঙরাং লাউথোকখিবা অদুদা হিয়াংলম এ সীগী ওইনা শেঞ্জা-থুমজাদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নোংমাইথেম সঞ্জয়দা টিকেট পীরক্তবনি হায়না জে দি (য়ু) হিয়াংলম এ সীগী প্রসিদেন্ট ওক্রম চন্দ্রমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সেকমাইজিং খুনৌদা লৈবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এন সঞ্জয়না ইলেক্সন ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, অশেংবা অচূম্বা তৌরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা নোংমাইথেম সঞ্জয়না জে দি য়ুদা য়াওদুনা মীখল থেংননবা থৌরাং তৌরুবনি। অদুবু লুপা ক্রোর অমগা মখায় পীয়ু হায়রকপদা পীবা ঙমহৌদবদগী টিকেট পীরক্তবনি। শেল পীয়ু হায়বগী কোল রেকোর্দিং লৈ। মরম অসিনা অসিগুম্বা খল্লুবগা তায়ওন্নরম্বা পার্টি অসিদগী হিয়াংলম এ সীগী জে দি য়ুগী থৌমীশিং অমদি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এন সঞ্জয় ঙসিদগী রিজাইন তৌরগনি।

এন সঞ্জয় লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা হিয়াংলম এ সীদা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওরগা নৎত্রগা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা শোয়দনা মীখল থেংনগনি। মহাক্না লৌরকপা ফিরেপ্তা অমত্তা ওইনা সপোর্ট তৌদুনা মীখল অসিদা মায় পাক্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ‘তুংগী মীরোল কন্নবা এম টি য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমদি ভী সী ওফিস থিংজিল্লে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ইরমদম অসিদা টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী লমদা অচৌবা অওনবা অমা লাক্লগনি হায়না লৈবাক মীয়াম্না থাজনরম্বা অদু এম টি য়ুদা চত্থরিবা অরানবা অশোয়বা থৌশিল কয়া অসি মরিল তেংনা শেংদোক্ত্রিফাওবদি ওইথোক্লরোই হায়রদুনা তুংগী মীরোল কন্নবা এম টি য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমদি ভী সী ওফিস থিংজিল্লে হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট্স ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম এস ওগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি কে ঐচ দিলসননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্নাই অমগী য়াংলেন শরু ওইরিবা এদ্যুকেসন সেক্টর অমদি একাদেমিক ইনষ্টিট্যুসনশিংদা অরান অহূই চত্থরকপা মতমদা এ এম এম এস ও অমদি লৈবাক মীয়াম্না কৈদৌনুংদা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়বসি এম টি য়ু ওথোরিটিনা খঙজিনবিবা চুমগনি। এম টি য়ুগী অনীশুবা ভী সী ওইনা লান্না হাপচিনখিবা ডা. ভাবেশ্বর তোংব্রমবু মশানা মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্নবা অমদি লৈঙাক্না কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈবাক ইরাং থোকহন্দনবগীদমক এ এম এম এস ওনা নুমিৎ ৭নিগী চেকশিন ৱারোল অমা থমজখিবা অদুবু ইকাইখুম্নবগী মহুত্তা অনেকপা খুৎপু খরা থাদোক্তুনা কিহন খংহনবা তৌরকপা অমদি লুপ অসিবু শেলনা থেম্নবা হোৎনরকপা অসিনা এম টি য়ু ওথোরিটিনা অরানবা থৌশিল খরা চত্থখ্রে হায়বদু মপান থোক্লক্লে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা ডা. ভাবেশ্বর তোংব্রম লৌথোক্ত্রিফাওবা এ এম এম এস ওনা খোঙফম মচেৎ অমত্তা ফাওবা হনলোই হায়না লৈবাক মীয়ামদা হান্না লাউথোকখিবা অদু হেন্না খোঙফম চেৎশিলহল্লে। ঙসি এ এম এম এস ওনা এম টি য়ুগী ভী সী ওফিস অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক থিংজিনবগী খোঙথাং লৌরক্লিবা অসিমক্তি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অচূম্বা লীক্লম অমা খুদোল পীরম্নবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, এম টি য়ুদা লান্না ভী সী হাপচিনখিবা ক্রাইটরিয়া শুদবা ডা. ভাবেশ্বর তোংব্রম অসি লৌথোক্লবা অমদি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩২ লৌবগী শোর্ট লিষ্ট ইন্টর্ভিয়ুদা নন লোকেল একজাম থাবা য়াহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা চুমথোকপিনবা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৯দা এ এম এম এস ওনা মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কমিস্নরদা অইবা চেরোলশিং থাদূনা খঙহনখিবা লৈরবনি।

এম টি য়ুগী মতাংদা অরানবশিং শেমদোক্তুনা অচুম্বা পুথোক্লবা হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা ফাওবা মহৈরোয় লূপ খরনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ইস্যু অসি চঙশিল্লম্লগা লৈবাক মীয়ামদা অচূম্বা ৱারোইশিন থল্লমদনা তুমিন্না লৈশিনখ্রবসু এ এম এম এস ও অমদি মসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা লুপশিংনা শম্না মফৈ অমা ফাওবা খোঙফম হনলোই হায়বসি এম টি য়ুগী ওথোরিটিনা খঙজিনবা চুমগনি।

কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ১২দা এম টি য়ুগী রেজিষ্ট্রারনা থোকপা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না ভী সী খনবগী প্রোসেস অসি য়ু জি সী রেগ্যুলেসন ২০১৮গী মতুং ইন্না পাঙথোক্কনি হায়না পনলবসু ভী সী ওইবা য়াবগী ক্রাইটরিয়া শুদবা মীওই অমদা ভী সীনি হায়দুনা হাপচিনখিবা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ভী সী ওইবদা মতীক চাদবা মীওই অমদা ভী সী হাপচিল্লকপা অসিমক্তি এম টি য়ুগী ভী সী ওইবা য়াবা মতীক চারবা ওজা অমা ফাওবা লমদমসিদা লৈত্রবরা নৎত্রগা নেপোটিজমগী খম থেংবা পনখৈ অৱাংবা মহৈকোল অসিদা ফোংনা চত্থবা য়াহনলব্রা হায়বা ৱাফম থোক্লক্লে।

ডা. ভাবেশ্বর হান্না গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক, টাকয়েলগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা কুমজা ২০১৬গী ফেব্রুৱারী ২৯দা লৈঙাক্না হাপ্লুরে। অদুবু এ আই সী টি ঈগী নোর্ম মতুং ইন্না প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইবগী ক্বালিফিকেসন সুদবদগী প্রিন্সিপাল ওইহনখিদে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না কুপ্না খঙই। অৱাংবা পোষ্ট অমা ওইরিবা এম টি য়ুগী ভী সীগী পোষ্ট অসি আর এস এসকী প্রেসরদা হাপখিবরা হায়বসি ঙসিদি এ এম এম এস ও অমদি লৈবাক মীয়ামগী ৱাহং ওইরক্লে।

এম টি য়ুগী ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্না চত্থরিবা থৌওং অসিমক্তি হৌরক্লিবা মীরোলশিং অমদি মহৈরোয় খুন্নাইবু হৈথৎপিবা অমদি অমম্বা লম্বীদা লমজিংহন্দুনা মাঙহন্নবা থৌওইনা হোৎনবরা হায়না হংনিংই।

নাকল অমরোমদা, য়েলহৌমীশিংগী ঙাক্লৌ থম্বিয়ু হায়বগী অকনবা ইহৌ লৈবা ইরমদম অসিদা নন লোকেল মীতোপশিংবু এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩২ লৌবগী এগজাম থাবা য়াবগী শোর্ট লিষ্ট ইন্টর্ভিয়ু থোকপদা এম টি য়ু ওথোরিটিনা য়াওহনখিবা হায়বসি লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মাঙহন্নবা হোৎনবদা লৌতুনবা মীওই খুজোক খরা য়াওরে হায়বসি হেন্না ময়েক শেংবগুম তৌরক্লি। এম টি য়ুগী ভী সীনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা চত্থরিবা অরানবা থৌশিল কয়া অসি মীয়ামগী লৈঙাক্লি হায়নরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা এ এম এম এস ওনা থাজবা থমদুনা চুমথোরক্কনি হায়না খল্লম্বনি। অদুবু পোজিটিভ রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্তবা হায়বসি অরানবা তৌবদা য়াওশিনলবরা হায়বসিনি। অরানবশিং অসিবু খঙশিন্নদনা লৈশিনলিবা অসিনদি খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলনা মীপাল তাংদনা হিংবা ঙমজবা হায়বদুদি ওইথোক্লোইদবগী ফিভমদা লাক্লগনি। স্কিল দিভেলপ তৌদুনা ইন্দষ্ট্রি মরাঙ কায়না লৈদুনা টেক্নিকেলগী ওইবা হীরমদা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ইরমদম মণিপুরনা অথুবদা ওইরকপা হায়বদি ওইরিবা ফিভম অসিদা অরেম্বা তাগনি।

অরোমদা কাঙলোন লান্না খনখিবা ভী সীনি হায়জরিবা ডা. ভাবেশ্বর তোংব্রমগী ওফিস অমদি এ ব্লোক এ এম এ এস ওনা মতম কক্তুনা থিংজিল্লিবা অসিমক এম টি য়ুগী অশোয়বশিং অমুক হন্না কুপ্না লৈঙাক্না য়েংশিনবিদুনা অশোয়বশিং শেমদোরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। লোয়ননা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩২ লৌবগী ইন্টর্ভিয়ুদা নন লোকেল য়াওবা য়াহন্নবা হোৎনরিবা অসি রিভোক তৌদুনা এম টি য়ুগী অরানবা-অশোয়বশিং অসি লৈঙাক্না কুপ্না য়েংশিনবিদুনা লৈবাক ইরাং থোক্তনবা হোৎনরক্কনি হায়না এ এম এম এস ওনা থাজবা থল্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।